চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

HOLY SONY SPL.
X9000C WORLD SLIMMEST 4K TV
4.9MM SLIM
₹ 2,84,900/-
₹ 2,14,900/-
WORLD SLIMMEST TV
4K-X-REALITY PRO | 4K PROCESSOR X1 TM
TRILUMINOS DISPLAY | 3D | BASS REFLEX SPEAKER
VOICE SEARCH
SONY HOUSE. PAONA BZ. IMP.
SARAJEEVAN ENTERPRISES. PAONA BZ. IMP.



চীফ মিনিষ্টর মণিপুর গোল্ফ কপকী ঙসি লোইশিনখিবা নুমিত্তা শান্নরোয় অমনা পীখিবা পার্ফোর্মেন্স

বোম থল্লম্বগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথৰিবী লৈকায়গী মীওইশিং



LAST DAY 9TH MAR.
LED 40HH = ₹ 28500/-
3 YRS WARRANTY
190LT REFRIGERATOR
24" LED FULL HD
7.2KG H11/13 WASHER
₹ 29999/-
190LT REFRIGERATOR
32" LED VIDEOCON
7.2KG H11/13 WASHER
₹ 35999/-
TATA SKY FREE
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR
SARAJEEVAN ENTERPRISES, PAONA BAZAR
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTINENTAL

ঙসিগী অঙৈং-অশা : শাবগী চং ঃ ২৮° সি | ঈংবগী চং ঃ ১২° সি || নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ৩২ || নোংজুগী চাং : ০ এম এম

IMPHAL, MONDAY, 7 MARCH 2016
নিংথৌকাবা, ফাইরেনগী ২৮ নি পানবা
e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 98 Page : 8 | Price: ₹3.00

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

মহৈ মশিং তল্লুরগা মহাক্না তল্লুবদু শীজিন্নদ্রবা মীদুদি লাইরিক্কী পোৎলুম পুরিবা শা অমগা পাম্বকনি

## অহানবা কাখল

# ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন মীখলদা বিজেপিনা মায় পাক্লবা হোৎনগনি ঃ চাউবা

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ৬ ঃ কংগ্রেসতগী বি জে পিদা য়াওরক্কদবা মীওইশিং অথুবা মতমদা মীয়াম্না খঙলগনি। লাক্কদৌরিবা মে থাদা পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখল অসিদা বি জে পিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা কোর্পোরেসন অসি পায়হৌদবা য়াদবনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ চাউবনা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেল কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা কৈশামথোং কেন্দ্রগী ৱার্দ নম্বর ১৩গী নোংমগী ওইবা পোলিতিকেল কনফরেন্সতা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা চাউবনা হায়, কংগ্রেস পার্টি অসি মশাগী পার্টিগী এম এল এ শিংনা ফাওবা পেন্নদ্রবা পার্টি অমা ওইরবনি।

কংগ্রেস গভর্নমেন্ট অসিনা লৈবাক্কী ওইনা সিমদি তৌরে হায়বা থিন্দুনা তাকপা য়াবা থবক অমত্তা মীয়ামদা উৎপা ঙমদ্রি। হৌজিক লৈরিবা গভর্নমেন্ট অসিদি মীহাৎপা, নুপীবু তুহৎপা, শেঙ্গাবা গভর্নমেন্টনি।

লমদম অসিদা কংগ্রেস পার্টিগী রাজিনিতিগী মহুৎ শিনবা য়াবা পার্টি অসি বি জে পি নত্তনা অতে লৈতে।

সি পি আইনা লুচিংবা লেফ্টনা ফনা কন্না লাওরবসু করিমত্তা কান্নখিরোই। হৌজিক ফাওবদা কংগ্রেস পার্টিনা তৌফম থোকপা থবকঅমত্তা পাঙথোক্ত্রি। প্রজাশিংগী থাদফম থোকপা শেনফম ময়াম প্রজাশিংদা য়ৌবা ঙমদনা লৈরি।

ইং ২০১৬-১৭কী ষ্টেটকী বজেট সেসন হৌবা নুমিত্তা গভর্নরনা পীখিবা ৱারোলদা শেঙ্গা থুমজাগা মরি লৈনবা ৱাফম অমত্তা য়াওখিদবা অসি কংগ্রেসনা তৌবা অরোন অথুপ কয়া অদু পনবা ইকাইবদগীনি।

সেন্টরদা সাসন তৌরিবা বি জে পি গভর্নমেন্টনা চৎলিবা শেনবা চহি অসিগী বজেটতা মপুং ওইনা লৌউ শিংউবা অমসুং মসিগা মরি লৈনবা হিরমশিংদা মপুং ওইবা মীৎয়েং থল্লি। মণিপুরগী বজেটনা মপুং ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা পায়রিবা দিপার্টমেন্টশিংদা শেনয়াম অমা হাপচিন্দুনা থবক শুদনা শেল লৌথোকপা য়ানবগী থৌশিল চখৰি।

গভর্নমেন্ট অসিনা শেনয়াম থাদদুনা পায়খৎখিবা লৈমখোঙ হেভি ফ্যুএল পৱার প্রোজেক্ট ঙসিসু কান্নফম খঙদনা লৈরি। প্রোজেক্ট অসিনা ষ্টেট অসিদা বল্ব অমত্তসু ঙালহনখিদ্রি।

এম জি এন আর ই জি এসকী মখাদা থবকশিং শুদনা শেল লৌথোক্লি। অদুগা চেদনা থবক ফজনা শুবগী রিপোর্ট তৌরি। হৌজিক এপ্রিল অমদগী চৎননবা থৌরাং তৌরিবা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্ট অসি সাসন অসিদা য়াওরিবশিংনা শেল তানবা নুঙাইনবা তৌবনি। লাক্কদৌরিবা মে অরোইবা চয়োলদগী জুন অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মীখল অসি কংগ্রেস পার্টিনা য়েথোকপা য়ারোই।

মমাংদা ইলেক্টেদ মেম্বর অমত্তা লৈরমদবা বি জে পি ঙসিদি এম এল এ অনি, এ দি সি মেম্বরশিং, ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অমসুং নগর পঞ্চায়টতা পার্টি অসিনা সাসন পায়বা ঙম্লক্কে। লাক্কদৌরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীখল অসিদা বি জে পিনা মীরেপশিং মায় পাকহন্দুনা শুকশোয় শোয়দনা কোর্পোরেসন অসিগী মেয়োর অমসুং কোর্পোরেসন অসিগী সাসন পায়নবা হোৎনদবা য়াদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী স্পোক্সপার্সন আর কে সিবচন্দ্রনা হায়, কেন্দ্র অসিদা মীহুৎ ওইখিবশিংনা লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দদা রাজনিতি শান্নবগী চৎনবী হান্না মুখৎপা পাম্মী। কৈশামথোং কেন্দ্রদা ইকং থোক্লকপা কুইরে।

হৌজিক হোংলক্লিবা ইন্দিয়াগী পোলিতিক্স অসিদা মণিপুরদসু অহোংবা পুরকপা মতম ওইরে। মরম অসিনা লৈরিবা ৱার্দকী প্রজাশিংনা মতেং পাঙবীদুনা বি জে পিগী সাসন পুরক্কবা হোৎনবদা মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

ঙসিগী হৌরম অদুদা বি জে পিগী এম এল এ টি ঐচ বিশ্বজিৎ, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এম অগ্নিকুমার, পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মেদিয়া এফেয়ার্স এল বসন্ত শর্ম্মা, পার্টিগী ত্রেজরর রোবিন ব্লেকি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

# অচুম্বা ঙাংথোকপা অমদি হায়দোকপদা অকিবা লৈরোইদবনি ঃ গাইখাঙম

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ৬ ঃ মমাংঙৈদা অচুম্বা ঙাংবা মীওইগী থাক অসি য়াম্না ৱাংই। অদুবু হৌজিক্কী মতম অসিদদি অচুম্বা ঙাংবা হঙ্গোইবদৌনা তৌনরে। অচুম্বা ঙাংলবদি, অচুম্বা হায়দোক্লবদি তুংদা করি লাক্কদগে কিবদগী য়ান-য়ানবা মওংদা হিংবগী মওং চত্থনরক্কে হায়না দিপ্যুটি সি এম গাইখাঙম্না হায়খ্রে।



ঙসি নুমিদাংৱাইরম মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন(অমজু)গী দিষ্টিক্টিব 'প্রেস' লেভেল ষ্টিক্কর লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা দিপ্যুটি সি এমনা মথক্কী ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি। মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মেদিয়া ফার্মশিংদা পাউমী ওইনা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা হায়রিবা দিষ্টিক্টিব 'প্রেস' থাবা ষ্টিক্কর অসি শীজিন্নগদবনি।

গাইখাঙম্না মখা তারদুনা হায়, অচুম্বা হায়দোকপদা মতম খরদি মীনা লান্না লৌবীবা য়াই। অদুবু মতমনা পুরক্কুনা অচুম্বা অশেংবদি শোয়দনা খঙনরক্কনি। অচুম্বা ঙাংবা, অশেংবা হায়দোকপা কিরোইদৌবনি।

মহাক্না হায়, ঐ থবক চাউনা তৌই হায়দুনা থবক-মচা তৌবা মীওইদা বেব্যহার কায়বা থবক তৌবা য়াবা নত্তে। ইনাকখুনবনা তোল-তারবা মীওইদা তাথি-তাওইনা তৌদবা অদুগা অচৌ-অশাংনা মাগী মখা তাবদা বেব্যহার তৌনা লোইনবা লৈবামত্তিং মালেমগী মনুংদা মণিপুর খক্তনি।

মণিপুরী খুন্নাইদি দুৎ-দা য়াদবা, থকশি-খাশি, লমচৎ-বেব্যহার কায়দবা সমাজনি। মসিগুম্বা কেরেক্টর অসিনা মালেমগী জাতিশিংগী মনুংদা মণিপুরী খুন্নাই অসি চাউথোকচনিঙাই ওই। ঐখোয় অসি ফোংনা হিংবা কাংলুপ অমনি। তাথি-তাওইবা লমচৎ খাঙবা ঙম্বগী শক্তি ঐখোয়দা য়াওদে, অদুবু হায়জ-নোঞ্জরবদি মীবু থৌজাল হৈবা কাঙলুপনি।

পুলিস হায়বসি লো ইনফোর্সিং এজেন্সি ওইবনা করিগুম্বদা শক্তি শীজিন্নদবা য়াদবা মতাং লাকই। লো ইনফোর্সিং এজেন্সিনা লৈবাক প্রজাগী ইহুল খঙনা থবক তৌবগী তঙাই ফদবসু লাকই। সমাজ অসিদা তংদু-লৈতাবা অমদি প্রজাগী পুন্সি ঙাক শেন্নবগীদমক পুলিসনা থবক পাঙথোরকপদা মেদিয়াগী মতেং য়াওদবা নত্তে। প্রজাগা পুলিসকা লোয়ননা পুলিসকা মেদিয়াগা লৈনরিবা মরী অসি ফহন্নবা হোৎনবদা মেদিয়াগী চাউরবা থৌদাং লৈ। অমনা অমদা কো-ওপরেসন পীনরবা মতমদা লো ইনফোর্সিং এজেন্সিগী থবক মঙম শানবা ওই। মতম অমদা ওইরম্বা পুলিস পর্সানেলশিংগী লমচৎ-বেব্যহার অদু ঙসিদি

... মখা লমায় ৫দা

# বোমগী মায়োক্তা মফম অহুমদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ৬ ঃ তোঙান তোঙানবা মফম ৩ দা বোম থল্লম্বা অমদি পোখায়হল্লম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। মফম ৩ দা চথৰিবা ৱাকৎ মীফম অদুদি ঙরাং অয়ুক পুং ৭.৪০ রোম তাবদা উরিপোক হুইদ্রোম লৈকাইদা লৈবা কেরোসিন এজেন্ট ওইবা শৌগ্রাকপম রাজেসকী থোঙ্গালদা বোম থনম্বগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

উরিপোক হুইদ্রোম লৈকাই ৱুমেন দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন্না ঙসি অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সলাম ইবেয়াইমনা ফোঙদোকখিবদা বোম থনম্বদু কনানা তৌবনো শেংদোকপিয়ু। বোমনা শান্তি পুরকপা য়ারোই। রাজেসনা লানবা ওইরবসু শেমদোকচনবগী খুদোং চাবা পীদনা বোম হেক্তা থমজিল্লম্বা অসি মরম চাদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমনা ঙরাং অয়ুক পুং ৯ রোম তাবদা শিংজমৈ কেন্দ্রদা মমাঙদা ত্রিনামুল কংগ্রেসতা ভোট লেপখিবা হৌজিক্না বি জে পি গী মেম্বর ওইরিবা য়ুম্নাম লৈকাই লাইরেম্বী মনীংদা লৈবা য়ুম্নাম খেমচান্দগী থোঙ্গালদা চাইচিজ হেন্দ গ্রেনেট থনম্বগী মায়োক্তা য়ুম্নাম লৈকাইদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। অমনা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা ইম্ফাল পুলিসকী মনুং চনবা কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদা লৈবা এলাংবম ইবোহলগী য়ুমদা মশক খঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোখায়হল্লম্লে। শকখঙদবশিংনা বোম লংশিন্দুনা পোখায়হল্লম্বা অদুদা ইমুং মনুংগী মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে। অদুবু পোখায়বা অদুদা য়ুমগী মফম কয়াদা বোম মচেৎনা পানবদগী অকায় অতোই থোকখি।

মহাক্কী য়ুমদা বোম পোখায়হল্লম্বা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি কৈশামথোং এলাংবম লৈকাই লৈরক অচৌবদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

... মখা লমায় ৫দা

# স্কুল ভেনশিংগী নিয়ম গভর্নমেন্টনা শেম্লবসু এসোসিয়েসন্না য়ারোইদৌরি

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ৬ ঃ হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা স্কুলগী মহৈরোয়শিং পুরিবা স্কুল ভেন অমদি অতে গারীশিংনা চৎনগদবা নিয়ম নোটিফিকেসন অদু চৎনবা ঙম্লোই হায়না ওল মণিপুর স্কুল ষ্টুডেন্টস ট্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসন্না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা এসোসিয়েসনগী এদভাইজর প্রিয়োকুমারনা ফোঙদোকখি, মদুদি গভর্নমেন্টনা লেপ্লিবা অঙাং মশিং স্কুল ভেন অমদি গারীশিংনা পূবদা অয়েৎপা লৈতে অদুবু অঙাং মশিং হন্থনা পুরবদি পুরিবা অঙাংশিং অদুদগী ভারা হেন্না লৌবা তাবনি। মদুদা গভর্নমেন্টনা সবসিদিগুম্বা অমা পীগদ্রা হায়বা ৱাহংসু এদভাইজর অসিনা হংখি।

করিগুম্বা মহৈরোয়শিং মশিং হন্থনা পুরবদি লেমহৌরিবা অঙাংশিং অদু পুনবা গারী মশিং হেনগৎলকপা তাবনি। মসিনা ট্রাফিক জাম থোকহনবদা মতেং ওইগনি হায়খি। করিগুম্বা গভর্নমেন্টনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদু নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনদুনা এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎলকপা তারবদি মহৈরোয় পুথোক পুশিন তৌবগী থবক খুদক্তগী লেপকনি।

হান্নমা নোটিফিকেসন অসিগী মতাংদা এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগা ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী কাঙবুগা হঞ্জিন হঞ্জিন ৱারী শান্নবা লৈখ্রে। অদুবু য়ানবা অমা পুরকপা লৈত্রিঙেদা হেক্তা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী থবক পায়খৎপা হৌগনি হায়বসিদি এসোসিয়েসন অসিনা য়াবা ঙম্লোই হায়বা ৱাফমসু এসোসিয়েসনগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

# এদিসি মেম্বরশিংনা দোনর মিনিষ্টর উনদুনা ফাইনান্স কম্মিসনগী এৱার্দ পীনবা তকশিনখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ৬ ঃ মণিপুরগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল তরুক্কী মেম্বরশিংনা শাবা দেলিগেসন অমনা ডিবলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর)গী ষ্টেট মিনিষ্টর ডাক্তর জিতেন্দ্র সিংহ উনদুনা মণিপুরগী চীংগী লমদা ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন এৱার্দ চৎনহন্নবা তকশিনখ্রে।



চান্দেল, চুরাচান্দপুর, সদর হিলস, সেনাপতি, তমেংলোং অমদি উখ্রুলগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী চিয়ারমেনশিং য়াওখিবা দেলিগেসন অদুনা দোনর মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা মণিপুরগী চীংগী লমদম য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমগী সিক্স সেদ্যুল চৎনবা লমদমশিংবু সভেন পে কম্মিসনগী এৱার্দসু চৎনহনবীদ্রে লোয়ননা ১৪ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী এৱার্দকী রিকমেন্দেসনসু য়াওবীদ্রে হায়না পল্লি।

মণিপুরগুম্বা রিসোর্স দিফিজিৎ ষ্টেট অমগী দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংদদি সেন্টরগী স্পিসিয়েল ওইবা মতেং দরকার ওই হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা হিরম অসিদা দোনর মিনিষ্টরগী থোইদোকপা মীৎয়েং চিংশিনখি।

ডাক্তর জিতেন্দ্রনা দেলিগেসন অদুনা পুখৎলক্লিবা ৱাফমশিং অদু পূক্নিং চঙনা তাবগা লোয়ননা মখোয়গী অৱাবশিং অদু ফাইনান্স মিনিষ্ট্রি অমদি অতে মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগা তান্নরগা কোক-হন্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

# ওর্গানিক ফার্মিংদা অকনবা মীৎয়েং চংবা মতম ওইরে ঃ লৌশাল

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ৬ ঃ লমদমসিদা শাথিবা লায়না কয়ানা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখ্রে। অসিগুম্বা শাথিরবা লায়না কয়া অসিগী হৌরকফমদি ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী চারিবা হার য়াওবা চিঙ্গাক চাবদগীনি। লায়নাশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা ওর্গানিক ফার্মিংদা সরকারনা অকনবা মীৎয়েং চংবা মতম ওইরে। মদু নত্তবদি চহি ২০ রোমগী মতুংদা লমদমসিগী মীয়াম অসি লায়না তিলনা চেনবদা নত্তনা শান্নবগী লমদা ইন্দিয়াগী মনুংদা মাঙজিল থারিবা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয় অমা ফাওবা পুথোকপা ঙমদবগী ফিভমদা লাকপা য়াই।

ৱাফম অসি, কেমিকেলগী ওইবা হার অমদি তিলহাৎ হিদাক য়াওদবা চিঙ্গাক পুথোক্লবগী পান্দমদা মশানা শেল পুথোকচদুনা 'ফার্মা কলচর' হায়বসিদা ওরিষাগী ককিরি গুম্মাদা লৈবা সিদার্দ ভিলেজদা ট্রেনিং চৎলুবা উখ্রুল অমদি তমেংলোংদগী মীওই মঙাবু লৌমী শিন্মী অপুনবা লুপ (লৌশাল)না ওকপগা লোয়ননা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট মুতুম চুরামনিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসি বামোন লৈকায়দা লৈবা লৌশালগী ওফিসতা পার্মা কলচরগী ট্রেনিং চৎলুরবা নুপী ২ য়াওনা মীওই ৫ অদুবু ওকপগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট চুরামনিনা পাউমীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ওর্গানিক ফার্মিংদা থৱায় য়াওজবা ফার্মা কলচরবু পামজবা মণিপুরদা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইবা পার্মা কলচর এলাইয়েন্স মণিপুর (পামা) হায়বা লুপ অমসু শেম্লে। লৌশাল অমদি পামানা মখোয় ৫গী পুক্নিং

... মখা লমায় ৫দা

# এমসুনা এপ্রিল ১৭ তা মীকপ থোকপা নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাবা হৌখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ৬ ঃ চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম ওল মণিপুর ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না শীন্দুনা এপ্রিল ১৭ তা ৩৬ শুবা মীকপ থোকপা নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাবা হৌরে হায়না এমসুনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদা ঈশিং ঈচাওগুম চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিং থিং-নবগীদমক ১৯৮০ দা হৌখিবা মহৈরোয় অমদি মীয়ামগী ঈহৌদা মহৈরোয় লুচিংবা অনী পোৎশঙবম লুখোই অমদি হুইদ্রোম লোকেন অনীনা থৱায়না পোন্থা পীখিববু নীংশিংবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

থৌরম অসি মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক হান্নগুম মীয়ামদগী অঙম্বা তেঙবাংশিং লৌবগী থবক হৌরগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা চেরোল অদুনা মীয়াম্না তেঙবাং অসি পীনবা আপিল তৌরি।

'পুৱারীগা শাগোন্নদুনা খুনদা লৈতামিন্নরক্লবা ফুরুপচাশিং ঐখোয়না লাইনিং লাইশোনগী খেৎনবা থমদনা ঐখোয়গী অপুনবগী শক্তমদা শিংনরকপশিং অমদি য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবগী খোঙজংদা অপূনবগী ওইবা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নরসি' হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৫

## লোইরেদনা




## হেক্তা হায়জিনবা

- তাইবীসি মকোক য়াম্না চিক্লমালেনে
- হোইনে, থবক পীবা ঙমদবদগী মকোক চিক্লে হায়দনা খবরদকা য়াম্না য়াওরেনে।
- মশানা মকোক চিকপা তাবনিনে থবক হাপ্পা ঙমদ্রবদি। ঐদি মরম খঙই।
- করি মরম নোনে।
- থবক হাপ্পা ঙমদ্রবদি পোষ্ট অমমমদা মতুং ইল্লক্কদৌবা লুপা লাক্ষ ১০-১৫ দু লাক্ত্রেদনা। মশানা কোকচিকপা তাবা নত্রো ?
- কোক চিকপা ফনবা থৌরাংদি শোইদনা তৌরমগনিদা ভোট ময়াগা ওইশিল্লকপা অসিদা।
- কোক চিকপা ফনবা থবক তৌরে তৌদে হায়বদুদি খবরদা লৌ ইশ্খোল য়োনবগী পাউ য়াম্না য়াওরক্লবা কান্দা খঙগদৌবনিদা।
- কোক চিকপগী লাইওং ফজবা মা লৈরম্মীদা।




For advertisement please contact: #8731815660, e-mail: sanaleibak.ads@gmail.com, Circulation helpline: # 8119919501